# এ আরনা হাত্তোক্লগা ফুমজিনখি হায়বা জিপসিগী কেস ফেক ইনকাউন্টরগী মনুং চলহনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ

লেফটনেল কোলোনেল ধরন্তিরগী কোর্টতা থাবা এফিদেভিট অমদা আরপিএফ / পিএলএগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা এলাইজ জিপসি (৫৬) পু ২০১১দা দিমাপুরগী রঙ্গপহরদা লৈবা আর্মিগী মেস হোলগী নাকন্দা ৩ কোঙ্গকী কাংবুনা হাত্তোকলগা ফুমজিনখি হায়বা ৱাফম অদুগী মতাংদা এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিস এসোসিয়েসন (ঈভম)না সুপ্রিম কোর্টকী ফেক ইনকাউন্টরগী মনুং চন্না থিগৎনবা চে থারগনি হায়না ঈভমগী প্রসিদেন্ট রিনু তখেল্লম্বমনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, আর্মিনা লমদম অসিদা মীওৎ মীনৈ কয়া চখদুনা লাক্লি হায়বা অসি লেফটনেল কোলোনেল ধরন্তিরগী কোর্টতা পীশিনবা এফিদেভিট অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। আর্মিনা লমদম অসিগী মীওইশিংবু মুখৎনবা হোৎনবদা তাহে উহৈদবা থবক কয়া চখদুনা লাক্লি হায়বা ৱাফম অসি চুম্লে।

সুপ্রিম কোর্টনা ফেক ইনকাউন্টরগী কেস চখরিঙৈদা অর্মিনা মীওই ৫ রোম ফাদুনা হাৎখি হায়বগী এফিদেভিট থোক্লকপা অসিনা ফেক ইনকাউন্টরগী মতাংদা থেংনরিবা কেস অসিদা অচুম্বা মতেং অমা ওইগনি। লোয়ননা ঈভমগী কেসতা চন্দ্রবসু হায়রিবা কেস অসি ফেক ইনকাউন্টরগী শরুক অমা ওইবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফেক ইনকাউন্টরগী কেস চখরিবা অসিদা য়াওবমক ঙমদ্রবসু সুপ্রিম কোর্ট তম্না কেস অসি পুখৎকনি। কেস অসি চখরকপা মতমদা লেফটনেল কোলোনেল ধরন্তিরনা পুথোক্লিবা মীওইশিংগী মায়কৈদা ইভমনা চাওনা শরুক য়াগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লেফটনেল কোলোনেল ধরন্তিরনা হাত্তোক্লগা ফুমজিনখি হায়বা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা এলাইজ জিপসিগী ময়াম্বা গুরুময়ুম নুতলচন্দ্রনা হায়, মহাক্কী মনাওনুপা অসি হৌখিবা চহী ২০১১গী আগষ্ট ১৮দা এন এস সি এন (আই এম) অমদি দিমাপুরদা লৈবা ২৪ এ আরনা ফাখ্রে হায়দুনা এমএসজি অমা থারক্লম্বদগী থিবা ফঙদনা লাকখিবদগী জে এ সি অমা শেমদুনা মহাকপু পুথোকপীয়ু হায়না হায় কোর্টতা কেস অমা থাখি। অদুবু মহাকপু ফাখি হায়রিবশিং অদুদা হংলুবা মতমদা মহাকপু ফাখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখবদগী কেস অদু ক্লোজ তৌশিনখি। হৌজিক্তি লেফটনেল কোলোনেল ধরন্তিরগী মায়কৈদগী হাত্তোক্লগা ফুমজিনখ্রে হায়না হায়রক্লবনিনা হায়রিবা কেস অসিগী মতাংদা হায় কোর্টতা কেস অমা থাদুনা অমুক হন্না থিজিন্নবা হোৎনরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## সিবিআইনা কম্মান্দোগী ওফিসার য়াওনা পার্সোনেল ...

মনুং চনবা ইরিলবুং অমসুং কৈরাও অনীগী মরক্তা লৈরিবা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি) কমপ্লেক্স ময়াদা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি।

থৌদোকসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী পার্সোনেল ৮গী চীফ অমনা মারুতি ভেন এমএন-০১ - এক্স ১০০৪দা লাকখিবা মীওই অনীবু কোরকোমগী এক্টিভিষ্টশিংনি হায়বগা লোয়ননা মখোয় অনীনা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লক্তুনা এটেক তৌরকপদগী খূৎ হল্লগা কাপ্পবদনি হায়দুনা মীওই অনী নোংমৈনা কপ্পুনা হাৎখিবনি।

থৌদোক্তুদা নোংমৈ মরু ৮ অমসুং ৬ পান্দুনা লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক লিলোং চাওবোক মাইরেনখুলদগী ঙাক্তনি। মখোয়গী মমিংশিংনা এমদি ইসাক অপোকপা এমদি অব্দুল রাজাক অমসুং এমদি মুষ্টাকিস অপোকপা এমদি অব্দুল হশন কৌই।

খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তুদগী কম্মান্দো পার্সোনেলশিং অদুনা পোইন্ট থ্রি-টুগী পিষ্টোল অমা, খাও অমদা য়াওরম্বা য়াওনা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ, মারুতি ভেন অমা, আরদিএক্স পীছ অহুম অমসুং ফোরেনগী দিটোনেটরশিং রিকোভর তৌই হায়খিবনি।

থৌদোকসি কম্মান্দো পার্টিসিগা লালহৌবশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা থৌদোক্লি হায়দুনা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন কেস এফআইআর নম্বর ১৪(১)২০১২ অন্দর সেক্সন ৩০৭/৩৪ আইপিসি, ২৫(১-সি) আর্মর্স এক্ট, ৫ এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট অমসুং ১৭/২০ অন লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখি। অদুগা লৈখিদ্রবগী হকচাংশিং পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ময়ুমগী মীওইশিংদা শীন্নখি।

অদুবু থৌদোক অসি ফেক ইনকাউন্টরগী থৌদোক্লি হায়দুনা এনঐচআরসিনা জুলাই ১৪, ২০১৭তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোর্টসিনা পীরকপা দিরেক্সনগী সিবিআইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস নম্বরনা আরসি-০১২-২০১৭ অন্দর সেক্সন-১২০-বি, ২০১ অমসুং ৩০২ আইপিসিনি। অদুগা কেস অসিগী চার্জসিটতা সিবিআইনা একু্যইশিং ওইনা পাল্লিবনা দিএসপি (সিদিও), ইম্ফাল ইষ্ট এল দেবেন, ইন্সপেক্টর এম অনন্দকুমার, হেদ কনষ্টেবল দব্লিয়ু সঞ্জয়, কনষ্টেবলশিংদা এল রোবিন্দ্রো, টি সিটলজিৎ, পি হেরেজিৎ অমসুং দব্লিয়ু প্রেমজিৎনি। সিবিআইগী মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌরক্লিবা চার্জসিট অসিগী নম্বরনা থ্রিনি।

কোর্টসিদা চার্জসিট অসি পীখৎলকপদগী কোর্টনসু ক্রিমিনেল (পি) নম্বর ৩০ ওফ ২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা কেস অসিগী থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা মথং থাগী ২৪দা মতম লেপখ্রে।

অনীশুবা সিবিআইনা ঙসি সবমিট তৌরক্লিবা চার্জসিট অসি হৌখিবা চহী ২০১১গী মে ৮গী নোংয়াই মতুং পুং ১.২০ লোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং-চনবা ইতম-নুঙ্গৈই ময়াই লৈকাইদগী প্রিপ্রাক (ভিসি)গী এক্টিভিষ্টনি হায়না মরাল শীরগা ফাখিবা মীওই অমগী কষ্টদিয়েল দেঠকী কেসনি।

থৌদোকসিদা লৈখিবা মীওইসিগী মমিং থোকচোম রঞ্জিৎ (৪৬) অপোকপা টিঐচ চিংলেন কৌই। মহাকপু দিষ্ট্রিক্টসিগী কম্মান্দা পার্সোনেলশিংনা লালহৌবনি হায়দুনা ফাদুনা পুরক্লগা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নবা পুরকপগী লম্বীদা মশা ঙম্লক্তবদগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা অয়ুক পূং ৮.৩০ রোম তারকপদা এদমিট তৌদুনা লায়কন্নবদা অয়ুক পুং ৯.৪৫ রোম তারকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদা পোরেম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা নুমিৎসিমক্তুদা অন নেচরেল দেঠ (য়ুদি) কেস নম্বর ৪ ওফ ২০১১ (অন্দর সেক্সন ১৭৪ সিআরপিসি) রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুবু মথংগী নুমিৎ মে ৯, ২০১১দা লৈখিদ্রবগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌখিবগী রিপোর্টতদি মহাক শোক তৌবগা লোয়ননা ঈ হাথবা অমসুং মশাদা থিনা শোকপদগী শিবনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভমসিদগী হান্না য়ুদি কেস ওইনা লৌখৎলম্লবসু লম্লাই পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ান পেনেল কোর্দকী সেক্সন ৩০২/৩৪গী মখাদা কেস এফআইআর নম্বর ৯৬(৮)২০১১ রেজিষ্টর তৌদুনা আগষ্ট ২৯, ২০১১দা লৌখৎখিবনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা সিবিআইনা কষ্টদিয়েল দেঠকীদমক রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস নম্বরনা আরসি ২০(এস) ২০১৭নি। অদুগা কেস অসিগী চার্জসিটতা একু্যইজশিং ওইনা চার্জ তৌরিবা পুলিস কম্মান্দাশিংনা সব ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস আরকে ব্রোজেন, হেদ কনষ্টেবল ব্রহ্মচারিময়ুম উশারঞ্জন শর্ম্মা অমসুং কনষ্টেবলশিংদা তখেল্লম্বম ধাকে, এমদি অকিমউদ্দিন খান, সাপম প্রেমচান্দ অমসুং লৈশাংথেম বিরজিৎনি।

পনবা য়াবদি একু্যইজশিং ওইরিবা কম্মান্দো পার্সোনেলশিং অসি থৌদোকসিগা মরী লৈননা মে ৫, ২০১১দা সর্ভিসতগী সসপেন্দ তৌদুনা থম্লরবা মতুং ফেব্রুৱারি ৩, ২০১২দা অমুক হঙ্গৎহনখিবনি।

কেস অসিগীসু ঙসি সিবিআইনা চার্জসিট থাগৎলকপদগী সিজেএম, ইম্ফাল ইষ্টনা ক্রিমিনেল (পি) নম্বর ২৯ ওফ ২০১৮ লৌখৎখিবগা লোয়ননা মথং থাগী ২৪দা কেসসিগী মতম লেপখ্রে।

## মোরে ট্রেদ সেন্টরদা অপাবা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী...

মতাংদা ৱাফম কয়া অমা থমদুনা প্লাষ্টিকশিং অসিনা মীওইবতা নত্তনা ঐখোয়গী লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা জিবা পানবা কয়াদসু শোকহল্লি। মসিদা মীয়াম্না প্লাষ্টিক অসি শীজিন্নবদা 'য়ুস এন্দ থ্রো'গী হৈনবী তৌরকপদগী ঙসিদি মফম কয়া, জগা কয়াদা প্লাষ্টিক্না ৱাই চাইরে। মসিদা সরকার অসিনা মণিপুর পূম্বদা প্লাষ্টিক থিংবগী থবক চখরিবা অসিদা মীয়াম্নসু মাইক্রোন ৫০ য়ৌদবা প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবীগনু। করিগুম্বা শীজিন্নরম্বা থেংনরবদি ফাইন লৌবগী থবক চখবতা নত্তনা জেলদা ফাওবা থমগনি। অদুগা হঞ্জিন হঞ্জিন শীজিন্নবা থোক্লবদি ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ৫ লৌগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মোরেগী মফম অসিদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট থম্নবা হোৎনরি। লোয়ননা লম্ধাংশিংদা প্লাষ্টিকশিং লংথোকপীগনু। তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা প্লাষ্টিক কয়া থিংলবসু মোরে রোমদগী পুথোরকপা লেপত্রগদি কান্নবা লৈরোই। মরম অদুনা মফম অসিগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা জাতি কয়ানা মতেং পাঙবা চঙই অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কোওপরেসন তৌবিবা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

তুংদা মোরে কৈথেলদা দ্রাইভ চখদুনা দুকান, হোটেলশিংদা মাইক্রোন ৫০গী মখাদা লৈবা প্লাষ্টিকশিং ফাগৎখি। লোয়ননা হয়েং তোঙান-তোঙানবা জাতি কয়াগী লিদরশিং য়াওনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

## শুপ্রিম কোর্টতা ফেক ইনকাউন্টর কেস ৫গী...

সিবিআইগী দাইরেক্টর অসি কোর্টসিগী জষ্টিস এসবি লোকুর অমসুং য়ুয়ু ললিটকী বেঞ্চ অমনা থাসিগী ২৭তা ইশু তৌখিবা সম্মোন নোর্টিসকী মতুং ইন্না ঙসি কোর্টসিদা মশা লাকখিবনি।

এজেন্সি অসিগী দাইরেক্টরসিনা কোর্টতা হায়খি, ঙসি মণিপুরদা আর্মি, অসাম রাইফলস অমদি ষ্টেট পুলিসনা থোকহনখিবনি হায়বা ফেক ইনকাউন্টরশিংগী থৌদোকশিংগী মনুংদগী কেস অনীগী চার্জসিটশিং ফাইল তৌখ্রে। মথং থাগী ৩১ ফাউবগী মনুংদা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা কেস মঙাগী চার্জসিটশিংসু ফাইল তৌরগনি। অদুগা কেসশিং অসিগী মনুংদগী অতোপ্পা কেস ২০গী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্লা চৎলিবা চহীসিগী দিসেম্বর ফাউবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কোর্টসিনা মহাক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসন তৌবগী থবকশিং পূন্নমক দাইরেক্টর, সিবিআই অমসুং মসিগী স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এমআইটি)গী ওইগদবনি হায়বগা লোয়ননা এনকাউন্টরশিং অদুদা মীওই কয়া হাৎখিবগী মরালদা চার্জসিট ফ্রেম তৌরবা একু্যইজশিং অদু ফাগদ্রা নৎত্রগা ফারোইদ্রা হায়নসু হংখি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা হিয়ারিং মথং থাগী ২০দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখি। অদুগা নুমিৎসিদসু ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিগী দাইরেক্টরসু অমুক হন্না লাক্লবসু খঙহনখি।

লোয়ননা এজেন্সি অসিগী কেসশিং অসি থিজিন্নবগীদমক মমাঙ চহীগী জুলাই ১৪, ২০১৭তা শেমখিবা এসআইটি অসিদা অনৌবা ওফিসার ১২ অমগা হাপচিন্দুনা টিম অসিবু মতেং পাংহন্নবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা কেসশিং অসিগী চার্জসিট ফাইল তৌবদা ফাষ্ট ট্রেক্ট বেসিসতা তৌনবসু পাউতাক পীখি।

পনবা য়াবদি ঈভমনা কোর্টসিদা ফাইল তৌখিবা পিআইএলদা ষ্টেটসিদা থোকখিবা এক্সত্রা জ্যুদিসিয়েল কিল্লিংগী থৌদোকশিংগী কেস ১,৫২৮বু অমুক হন্না থিজিনহনবিয়ু হায়জখিবনি।

## য়ুঙৌ লিটর ১০০ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেলগী ওসি কেঐচ দেবকুমারনা লুচিংবা নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা খুরাই লম্লোং বজার এরিয়াদা দ্রাইভ চখবদা য়ুঙৌ লিটর ১০০গা কোন্ননা নুপী অমা ফারে। ফারবা নুপী অদুদি অঙোম ওংবী লৈবাক্লে দেবি চহি ৫০ মপুরোইবা অঙোম সান্তা কৌই। থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগীনি। ফারবা য়ুঙৌ অমদি নুপী অদু পোরোম্পাৎ এক্সাইদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মীওই অমা থৌরি য়াল্লগা শিরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ

ময়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা নুপা অমা থৌরি য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট তু লাইময়ুম লৈকাইদগী খুন্দ্রাকপম অথং এলাইজ সোমোরেন্দ্রো (৩২) অপোকপা লৈমুনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা অথং এলাইজ সোমোরেন্দ্রো অসি থা ২-৩ রোমগী মমাঙদগী ৱাখল লায়না নারগা লৈবনি। মহাক ঙরাং অহিং নোংয়াইদা ময়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি অয়ুক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইনামুং হায়না খঙনবা চীঙ্গোল অমদা থৌরি য়াল্লগা শিরগা লৈরম্বনি হায়রি।

থৌরি য়াল্লগা শিরল্লিবা মফমদুদা ফোরেন্সিক এক্সপার্ট অমদি পুলিসকী টিম অমনা চঙশিন্দুনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং অশিবা হকচাং অদু লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

## *সেনিয়র পোলিটিসিয়ান ও জয়...*

অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী নাগাশিংদা অকনবা রাইট পীনবা হোৎনরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। আর্টিকল ৩৭১ (এ)গী মতুং ইন্না ভারতনা শেম্বা আইন চন্নরোই, নাগালেন্দ এসেমব্লীনা শেম্বা আইন অদু চৎনগনি হায়রিবসি ঐখোয়গী ঙমখে কায়দ্রবসু লৈঙাক্লোন অদু জুদিসিয়রদা চাওনা চৈথেং পীগনি। মসিনা লমদম অসি করি ওইহৌগনি হায়বা ঙমদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এময়ুগী ৱাথোক অসি নুমিৎ ৬০ শুরকপা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা খোঙজং অসি নুমিৎ ৪৮ শুরবা মতমদা খঙখিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। ভি সিগী মথক্তা ওজা, মহৈরোইশিংনা য়াদ্রে হায়দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মীওই ৩৫না শাবা টিম অমনা সেন্ত্রেল লিদরশিং উনবা চৎলুবদা মথৌনা লৈনা পাউদম্বগী মহুৎত্তা উপায় লৈত্রবা অমগুম হল্লকখি। লোয়ননা ভি সি অসি মখা তানা মতম শাংনা থম্বা য়ানবা হোৎনবা মানবা থৌওং কয়া চখরক্লি। মসি প্রো. অদিয়া প্রসাদ পান্দেনা ভি সি ওইরবদা মণিপুরগী মহৈরোইশিং মাঙলবসু য়ারে হায়বগী থৌওংনি।

লৈঙাক অসি মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা বোর্দর পিল্লরগী ৱাথোক, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা পাঙদবা, থৌনা য়াওদবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা মখূৎ পুল্লগা উপায় লৈত্রবা অমগুম লেপ্পুবা মদুগী লিচৎ অদুদগী মণিপুর মাঙলকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরক্লি। পূন্নমক অসি য়েংলু-খঙলুরগা কান্নররোই হায়দুনা বিজেপিদগী তোকপনি হায়না ও জয়না অরোইবদা ফোঙদোকখি।

## মীরোৎনি লাউথোকখ্রে

পাউ অসিনা হায়, মহাক্কী মথক্তা আই পি সিগী সেক্সন ৩৯২ অমদি আর্ম এক্টকী সেক্সন ২৫ (১) (এ)গী মখাদা কেসিজি পুলিস ষ্টেসননা এফআইআর নম্বর ৬৯ (৮) ৮৬তা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা খোঙজোম পুলিসকী এ খোগেন এসআইনা লুচিংবা টিমনা ফানবা শঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি ফুন্দ্রেদা থিরুবদা ফঙদবদগী মীরোৎনি হায়না লাউথোকখিবনি।

## চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

এসপি থৌবাল এস গৌতমনা থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্না সব-ইন্সপেক্তর(এসআই) নৎত্রগা এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্তর(এএসআই) অমমমনা লুচিংলগা কম্মান্দো টিম অমমম অমসুং অতৈ সেকুরিটি পার্স্নেলশিংনা য়াওনা দিপ্লোই তৌগদবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম ১৭ অদুদি লিলোং বাজার, উসোইপোকপি, ৱাইথৌ বজার, বাবু বাজার, থৌবাল ৱাংমতাবা পার্কিং, থৌবাল বজার, য়াইরিপোক লমখাই, অথোকপম বাজার, খাঙবোক বাজার, ৱাংবল বাজার, ৱাংজিং বজার, খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল গেট, খোঙজোম বাজার, নোংপোক সেকমাই বাজার, য়াইরিপোক বাজার অমদি হৈরোক বজারনি হায়রি।

## এমএলএ অমগী য়ুমদা র্যেইদ...

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা এন আই এগী র্যেইদ অসি ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী কংগ্রেসকী টিকেটতা কারকখিবা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকি য়ুমদা চখখিবনি হায়রি।

র্যেইদ অসি এজেন্সি অসিনা মরী লৈনবা কোর্ট অমসুং ওথোরিটিদগী 'হাউস ছর্থ'কী অয়াবা লৌরগা চখখিবনি হায়রি।

ঙসি নুংথিলদগী হৌরগা নুমিদাং ফাউবদা চখখিবা থি-হুম্বগী থবকসিদা মাঙখ্রিবা নোংমৈশিংদুগী মনুংদগী খরা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়রি অদুম্মকপু মসিগী মতাংদা ওফিসিয়েল ওইবা পাউদি ফংবা ঙমদ্রি।

## এদভোকেট কেনাজিৎকী য়ুমদা...

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুনা মণিপুরগী এদভোকেটশিংবু ঙাক শেনগদবা লো অমা সেম্নবা হায় কোর্টতা পিআইএল অমা থাবা অমদি এদভোকেট কেনাজিৎকী য়ুমদা অশিবা থমজিল্লম্বা অমসুং লান্দারম্বদা চেন্নবশিংলোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনবা হায়বা ৱারেপ লৌরে হায়নসু এদভোকেট তেজকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## হৌজিক্কী ৱাথোকশিং খন্নবা...

ঈ পাউ ফাওথোকপা ঙম্নবা ওফিসার ওন স্পিসিয়েল দ্যুতি (ওএসদি)গী ফম শেম্বদা অমদি লেবর দিপার্টমেন্টতা এমসিএস ওফিসারগী কাদর পোষ্ট শেম্বা অমদি ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী থবক নীংথিনা চখবা য়ানবা ষ্টাফ ১০ এনগেজ তৌবা হায়নসু ঙসি ফমখিবা কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখি।

মখা তানা ষ্টার্ট-অপ প্রোগ্রামগী মখাদা ভারত সরকারনা হৌদোকখিবা থবক ফঙদবা নহারোলশিংদা কান্নবা ফঙহন্নবা স্কিমগী মখাদা চাদ ৩০ সবসিদি পীবদা অয়াবসু পীখি। থৌরাং অসি লমদম অসিগী থবক ফঙদ্রিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নরিবা অদু কোকহন্দুনা অনৌবা ইন্টরপ্রেনিয়র কয়া থোরকপা ঙম্নবগীদমক্তনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## শিল্লোংদগী ফারুবা মীওই ৩...

কেজি ৪.৫৯৫ অমদি লুপা ১৪,০১,০০০০০গী ওইগদবা দব্লিউ ৱাই তেব্লেট ২,৮০,২০০ অমসুং শেলগা পুল্লগা পুন্না লুপা ২৮,৩৬,৬৮,০০০গী দ্রগ অমদি নোংমৈগা কোন্ননা ফাখিবা কেস অদুগা মরী লৈন্নরম্বদগী ইনভেষ্টিগেসন চখনবা জৱাই দিষ্ট্রিক্ট জেলদগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরুবনি হায়রি।

## সনামহি টেম্পল বোর্দতা তেঙবাং পীখ্রে

হন্দক পাঙথোকখিবা সোসাইটি অসিগী ২৫রক শুবা (সিলভর জুবিলি) থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্টরটেন্টমেন্ট প্রোগ্রামদা মীয়াম্না থারকখিবা লূপা লীশিং ১৫গী শেনফম লাইনিংথৌদা থৌগল তৌবা ওইনা তেঙবাংবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা নিষাগী মায়োক্তা ময়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ



কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফঙনা মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙরাং শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল কম্যুনিতি হোলদা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঐখোয়গী ক্লব ( ই সি), শীংজমৈ ওইনাম থিঙেল ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন অমসুং কাদা খূৎশম্নদুনা চখখিবা মীফম অদুদা কাদাগী ভাইদ প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন, ঐখোয়গী ক্লবকী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিরেন, ভাই প্রসিদেন্ট পুয়াম ইবোহনবী, শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল মৈরা পায়বীগী লূচিংবী ওইনাম রুহিনি লৈমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অদুগা কাদাগী সেক্রেটরী ফাইনান্স টি গিতচন্দ্র মঙাং, লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সি রিতা অমসুং রিমস দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাত্রি দ্রগ ট্রিটমেন্ট সেন্টরগী রিজনরেল কোওর্দিনেটির ডা. থোকচোম ইন্দিয়রনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সি রিতানা হায়, নুপা অমসুং নুপী পুল্লগা খুন্নাই অসি শেম্লিবনি। অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুরী খুন্নাই অসি লুখ্রাবী ঙাক্তনা খূৎলিংবা খুন্নাই ওইরকপা য়াবগী অকিবা চাওনা লৈরক্লবা লমদম অসিদা য়ু থকপা নুপীগী মশীং য়াম্না লৈরে। নুপীশিংনা লৈখা তারবদা করম্না অফবা খুন্নাই ওইবা ঙমগদৌরিবনো হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা লৈকাইগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নদুনা মখল কয়াগী নিষা মপুং ফানা থিংনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দ্রগ ট্রিটমেন্ট সেন্টরগী রিজনেল কোওর্দিনেটর ডা. থোকচোম ইন্দিরনা হায়, অলকোহোল অমদি দ্রগ শীজিন্নবদা খুন্নাইদা শোক্লকপা লোয়ননা মী অনীগী পুন্সিদা ফিজিকেল্লি অমসুং মেন্টেল্লি শোক্লকপা কয়া অসি পূন্না খঙমিন্নদুনা নিষাদগী লাপথোকপা মথৌ তাই। দ্রগনা শোকহল্লিবা মীওই অমবু মতৌ করম্না লায়েং চখগদগে হায়বনচিংবা কয়াগী মতাংদসু শন্দোক্না নৈনখি।

টি গিতচন্দ্র মঙাংনা হায়, নিষা থিংনবগী থবক অসি অশুক্কী মতিক পাক চাওখ্রে। ঙসি হয়েংখক হোৎনরগা লোইশিনবা ঙমগদবা নত্তে। নুংতি নুমিৎ খূদিংগী ইমুং মাঙ্গোল ৱাই শীৎপগুম লেপ্তুনা হোৎনবা চঙই। নিষা থিংবগী খোঙজংদা নুপী ওইবী খক্তুদা ইন্থোকপা য়ারোই। ঐগী মীগী হায়বা নাইদনা অখুবা ৱাখল মীৎয়েং থাদোক্নদুনা থম্মোয় শেংনা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইমা ইবেলশিংনা ক্না চারগা নিষা থিংবগী থবক তৌরিবসি থাদোকসি। ইশা ইশাদগী হৌনা শেমদোক্তনা কৈদৌঙৈদসু য়ারোই। ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগী থৌ পুরিবশিংগী মরক্তা নিষা শীজিন্নবা য়াওবনা লৈকাইদা মপুং ফানা থিংবা ঙমদবগী অচৌবা মরম অমনি।

মণিপুরদা ঙসি ঙসিমক নুপানা চাদ ৫৩ অদুগা নুপীনা চাদ ৬ য়ু থক্লি। নুংতিগী অয়ুক য়াহৌরকপদা য়ু থক্তবা য়াদবা মীওই মশীং থিঙমদনা লৈরবা ষ্টেট অসিদা হৌজিক শুংলিবা য়ু অসি রিগুলেট তৌরগা মপান্দা থাদোক্কনি হায়বসি ওইরোইদবা ৱাফমনি। সরকারনা লমদম অসিদগী য়ু অমদি ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং থিংগে হায়না থিংলবদি ঙম্লোইদবা লৈরোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।




খাঙবোক্তগী জেপিলিন ঈশিংদা তাবদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং শিখিবা অদু ডাক্তরনা থৌশাদবদগীনি হায়না মহৈরোই অমসুং মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখিবা



ইম্ফাল ফাইনান্স কোওপরেটিভ থ্রিফট এন্দ ক্রিদিট সোসাইটি ইম্ফালগী মেনেজিং দাইরেক্টর দব্লিয়ু গুনেশ্বরনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী থৌমীশিংদা শেলগী তেঙবাং পীখিবা

**লমায় ১ গী মখা**

## মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং...

হায়রিবা মফমশিং অসিদা ৭শুবা আইআরপিগী পার্সোনেল ২৫, কম্মান্দো ২৯, এমআর কোই ২, সিআরপিএফ কোই ২ অমদি নুপী পুলিস পার্সোনেল ৩০ লৈগনি।

অসিগীসু মথক্তা বেঙ্গাইচুংপাউ রেলৱে ষ্টেসনদা আইনগী ৱাংমদা মীতোপ চঙলকপা চেক তৌনবা ৫শুবা মণিপুর রাইফলসকী সেক্সন ২ থম্লগনি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা নেসনেল হায়ৱেদা মাও ফাওরগা অসামদগী মীতোপ চঙলকপা থিংনবা সিক্যুরিটিগী থৌরাংসু তৌখ্রে। এসপি সেনাপতিগী মীৎয়েং মখাদা মাওদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সিআরপিএফ অমসুং আইআরবি পার্সোনেলশিং থমগনি। মাও পোটেটো ফার্মদা মরিশুবা আইআরবিগী লৈফম অমসু থমগনি হায়রি।

থৌরাং অসিগী মখাদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিং মীৎ-নাশিংনা লৈহনখ্রে।

## 'ওথেন্টিক প্রেস নেটৱার্ক' তা লিগেল নোটিস থাখ্রে

সোসিয়েল মেদিয়াদা লান্না ফোঙদোরকখিবগী ময়োক্তনি হায়রি।

নোটিস অসিদা ফোঙদোক্লিবশিংগী মনূংদা মমাঙ চহি ২০১৭ তা পাংথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী জেনরেল ইলেক্সনদা বিজেপিগী এম এল এ ওইনা মায় পাক্লকখিবা মহাক হৌজিক ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা পুনশিন্নদুনা শেম্লিবা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লক্লিবনি।

লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা লৈহন্দুনা চাওখৎনবগী থবক থৌরমশিং মায় পাক্না পাংথোরক্লিবনি। মহাক্না পায়খৎলকপা থবকশিংদা মণিপুরগী মীয়াম্নসু থাজবগা লোয়ননা মহাক্না লূচিংবা চহি অমা হেল্লক্লবা গভর্ণমেন্ট অসি মরা চেৎনা লমজিংলাক্লিবনি।

মহাক্না লোকসভা মীখলগী ফল লাওথোকপগা পন্থদনা কংগ্রেসতা য়াওশিন্নবগী মতাংদা কনামত্তদা ফোঙদোকখিবা লৈখিদে। মরম অসিনা অরানবা ৱাফম অসিনা মীয়ামগীদমক চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মথৌ পাংথোক্লিবা মহাকপু মিংচৎ থিহল্লে অমসুং মীয়াম অমসুং বিজেপিগী মেম্বরশিংগী মরক্তা লান্না উহল্লে হায়রি।

মরম অসিনা ৱাফম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা প্রমান লৈবা মচাকশিং নোটিশ অসি ফংবা নুমিৎতগী নুমিৎ তরেৎনি ফাউবগী মনূংদা পুথোরক্তবদি আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

## লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকখ্রে

অদুবু মফম অদু মীওই খরনা কনশিন্দুনা লৈবদগী শাবা হৌদনা লৈরকখিবনি।

জিরিবাম ম্যুনিসিপল কাউন্সিলগী একজিক্যুটিব ওফিসার এম রাজেন সিংহনা ফোঙদোকখিবদি সরকারনা পীবা ইনষ্ট্রক্সনগী মতুং ইন্না ইমা কৈথেল শারিবা মফমগী মনাক্তা টোইলেট শাগদবা মফমদা লম খোপচিল্লিবশিংদা নোটিশ পীদুনা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌথোক্লবা খঙহনখিবনি। অদুবু লৌথোক্তবদগী ঙসি জে সি বি শীজিন্নদুনা য়ুমশিং অদু তকথোকখিবনি। হায়রিবা মফম অদু সি এস দাগ নম্বর ৫২০, ৫২১, ৫২৪/৬২৪, ৬৩১ অমসুং৬৩৪গী এরিয়ানি। নিয়মগী ৱাংমদা লম লৌশিন্দুনা য়ুম শারম্বা মীওইশিং অদুদি বাবুপারা ৱার্দ নম্বর ৪দগী অশেম ইন্দ্রকুমার সিংহ, এ অমুজাও সিংহ, শ্রীমতী মোইনু, সোংপা, মমতাজ বেগম এলাইজ রেনু, মেমি দেবী অমসুং থোঙাম লৈনিস অপোকপা বিজয় সিংহনি হায়রি।